**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

(তাং ১৫-১২-২০২৫, নিংথৌকাবা)

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফ্যের ঙসিদগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালদা হৌরগনি।

২) বি.জে.পি মণিপুর লেজিস্লেচর পার্তিগী মীফমনা মণিপুরদা মহৌশাগী ফিভম অমসুং শান্তি পুরকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অহুম- জোর্দান, ইথিয়োপিয়া অমদি ওমানগী খোঙচত্তা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নিউ দেল্লি থাদোক্লগনি।

----

**বুক ফ্যের(এল)ঃ** ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফ্যের ঙসিদগী কৈশাম্পাৎ ইম্ফালদা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদা হৌরগনি। নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা বুক ফ্যের অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শিনবনি। লাইরিক্কী মেলা অসি ঙসি আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসনর ঐচ.গ্যানপ্রকাশনা

হৌদোক্কনি।

ঙসিদগী হৌগদৌরিবা মেলা অসিগী মতাংদা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালগী চিফ লাইব্রেরিয়ন ডা.আর.কে. উরমিলা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-লাইরিক্কী মেলা অসিদা অতৈ রাজ্যশিংদগী লাকপা বুক স্তোল ১৩ য়াওনা পুন্না স্তোল ১০০ হেন্না হাংদোক্কনি। বুক ফ্যের মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়-মেলা মনুংদা লাইরিক ফোঙবা, পল্লিসর, অইবশিংগা উনদুনা ৱারি শাবা, মরিনি চনবা নুমিত্তা ইন্তরনেটনা লাইব্রেরিগী মহুৎ শিনবা য়ারোই হায়বসিদা দিবেতিং কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি। ৬ নি চনবা নুমিত্তা চৈথারোল কুম্বাবগী মতাংদা ক্যুজ কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি। মসিগী মথক্তা অতৈ নুমিৎশিংদা কেরিয়র কাউন্সিলিং, খুদক্তা লাহ য়েকপা চাংদমবা, আর্টিসশিং উনবা অমদি কেপাসিতি বিল্ডিংগী মতাংদা থৌরম কয়ামরুম পাঙথোক্কনি। ডা.উরমিলানা হায়- মীয়ামা বুক ফ্যের অসিদা লাক্কুনা খুদোংচাবশিং লৌবীহৌ।

**--সাউন্দ বাইট--উরমিলা**

**বি.জে.পি(এল)ঃ** বি.জে.পি মণিপুর লেজিস্লেচর পার্তিগী মীফম ঙরাং নিউ দেল্লিদা লৈবা বি.জে.পি হেদক্কাতরসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা বি.জে.পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি(ওর্গনাইজেসন) বি.এল শন্তোশ অমসুং দলগী নোর্থ ইষ্ট কোওর্দিনেতর সম্বিট পত্রা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা মরুওইবা রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং চাডখৎপা পুরকবা খন্নখি হায়রি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা বি.এল.শন্তোশনা হায়-মীফম অদু য়ামা মপুং ফাবা অমসুং মহৈ য়ানবা মীফম অমনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রাজ্য অদুদা শান্তি অমসুং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহন্নবা পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা অমসুং রাজ্য অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎপা হায়না য়ানখি।

**য়ুনিভর্সিতি (এল)ঃ** স্প্রিং সেদ মেনেজমেন্টকী মতাংদা অহুমশুবা ইন্তর দিপার্টমেন্তেল রাউন্দ তেবল কনফরেন্স ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী এদিসনেল চিফ সেক্রেটরি অমসুং পি.সি.সি.এফ অনুরাগ বাজপাই শরুক য়াগনি।

**সেমিনর (এল)ঃ** বাইও রিসোর্সেস এন্দ ফ্যুচর হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা জাতি থাক্কী সেমিনর অমা ঙসিদগী বির টিকেন্দ্রজিৎ য়ুনিভর্সিতি কাঞ্চিপুরদা হৌরগনি। বির টিকেন্দ্রজিৎ য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা মহারাজ গমভির সিংহ মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর হিজম তোম্বী সিংহ শরুক য়াগনি।

**বোদি (এল)ঃ** লাইতোঞ্জম রেসিকান্ত সিংহনা মিষ্টর মণিপুর ওইরে। ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসননা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চুপা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কাঞ্চিপুরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ৬৩ শুবা মিষ্টর মণিপুর কন্তেষ্টতা তোঙান তোঙানবা জিম ৫৩গী শান্নরোই ১৬০ হেন্না শরুক য়াখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা য়নাইতেদ জিম নাওরেমথোংগী লাইতোঞ্জম রেসিকান্ত সিংহনা মিষ্টর মণিপুরগী তাইতল লৌখিবনি। টিম চেম্পিয়ননা ককচিং মসল ফেক্তরিনা ওইরে।

**মোদি ঃ** জোর্দান, ইথিয়োপিয়া অমসুং ওমান লৈবাক অহুমগী খোঙচত্তা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি নিউ দেল্লি থাদোক্লগনি। মহাক্কী অহানবা খোঙচত্তা জোর্দানগী নিংথৌ অব্দুলাহনা বার্তন তৌরকপদগী লৈবাক অদুদা থুংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা জোর্দানগী নিংথৌ উনদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরীশিং নৌহৌননা

য়েংশিন্দুনা লমদম অশোমগী ওইবা হীরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি লৈবাক অনিগী কুৎনিতিগী ওইবা মরী থমখিবা চহী ৭৫ শুরকপা কুমওনগা মরী লৈনৈ। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি জোর্দানদা চৎপা অসিনা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা অসি চহী ৪০ গী মতুংদা অহানবনি। খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী থবক কনখৎহল্লগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি হয়েং ইথিয়োপিয়াদা চত্তুনা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রিগা উনদুনা ভারত অমসুং ইথিয়োপিয়াগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। লৈবাক অহুমগী অরোইবা খোঙচৎ ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা ওমানদা চত্তুনা সুলতান হাইথম আইবিন তারিখকা উনগনি।

**রেলৱেজ ঃ** ইন্দিয়ান রেলৱেজনা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২৫ গী ব্রোদ গেজশিংদা চাদা চাদা ৯৯ গী মথক্তা মৈ থানবা ঙমখ্রে। রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়- ২০১৯ দগী ২০২৫ ফাওবদা কিলোমিতর লিশিং ৩৩ শাংবা লম্বীশিংদা মৈ থানখি।

মরক অসিদা হৌখিবা চহি ১১ অসিদা এল.ঐচ.দব্লিউ রেলৱে কোচ লিশিং ৪২ হেন্না শাবা ঙমখ্রে হায়না সরকারনা ফোংদোকখ্রে। এল.ঐচ.দব্লিউ কোচশিং অসি পেসেঞ্জরশিংদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমদি নুংঙাইনা রেলগাড়ি তোংহন্নবগী মওংদা শেম শারবা কোচশিংনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং দেল্লিদা মীফম পাঙথোকখিবা, জন্তর মন্তরদা আই.দি.পিশিংবু ময়ুমদা হঞ্জিলহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং চংশিনখিবা অমসুং রতন থিয়ামগী মতাংদা নেসনেল সেমিনর হৌদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা

পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

এম.এল.এশিংগী দেল্লি মীফম ‘সবকা সাথ সবকা বিকাশ’তা লোইশিনখ্রে, মীফম অদুদা জে.পি নদ্দা য়াওখিদ্রে, বি.এল.শন্তোশ অমদি সন্বিট পত্রানা প্রিসাইট তৌখ্রে হায়না- নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা বেনর হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং নিউ দেল্লিদা লৈবা পার্তিগী হেদক্বাতরদা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, সনালৈবাক অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সিমেন্ট কংক্রিট রোদ প্রোজেক্ট মফম খরদদি মংফম ওইরকপগী ফিভমদা লৈরে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

ওস্ত্রেলিয়াদা মাস সুত্তিং চথখ্রে হায়বা পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- খৃষ্টমাস মমাঙদা বিলশিং স্কিমশিং পেন্সন অমসুং তোলোপ পীথোকপীনবা টি.ৱাই.সি.এমনা আপিল তৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি স্কিমগী মমিং অথুবা মতমদা পুজেয়া বাপু গ্রামিন রোজগার য়োজনা

হায়না কৌরগনি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিলহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা দেল্লিদা প্রোতেষ্ট চথখ্রে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

রতন থিয়ামগী মরমদা নেসনেল সেমিনর হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ-মণিপুর মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নিউ দেল্লিগী রাম লিলা মাইদানদা ভোৎ চোরিগী মায়োক্তা কংগ্রেসনা অচৌবা রেল্লি পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোঙনরি।

**--পাউ লোইজরে--**